ৱার্কশোপ পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস) : ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা লম্বোইখোংনাংখোংদা লৈবা ট্রেদ সেন্টরদা মথং চহিগী ফেব্রুৱারি ৪ দগী ৮ ফাওবা নুমিৎ ৫ নি চুপ্পা ৱর্ল্ড বেম্বু ৱার্কসোপ পাঙথোক্লগনি হায়না চান্দীগর য়ুনিভর্সিটিগী বোটনি ডিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর অমসুং ৱর্ল্ড বেম্বু ওর্গনাইজেসনগী এম্বেসেদর নির্মালা চোংথাম্না ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবদা নির্মালা চোংথামনা মখা তানা হায়খি, এনভাইরোনমেন্ট অমসুং ইকোনোমিগী য়েংলগা ৱা শীজিন্নবা অমদি ৱাগী পোথোক হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা ৱর্ল্ড বেম্বু ডে অসি পাঙথোক্লৱা শিনবনি হায়রি।

ৱর্ল্ড বেম্বু ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু বি ও) না শিন্দুনা কুমজা ১৯৮৪ দগী হৌনা ৱর্ল্ড বেম্বু ৱার্কশোপ অসি চহি ৩/৩ লৈরগা পাঙথোকই। ৱর্ল্ড বেম্বু ৱার্কসোপ অসি কুম ২০১৭ দগী দব্লিয়ু বি ও অমদি ডি আই এ সি এম এ ট্রেদ, মোক্সিকোগা পূন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকপা হৌখিবনি। ৱার্কশোপ অসি পাঙথোকপগী মরু ওইবা পান্দমদি ৱাগী থোখোকশিং অসি করম্বা মওংদা শীজিন্নরিবা হায়বদু মালেমদা তাকপা ঙম্নবনি। লোয়ননা ৱার্কসোপ অসিদা ফোরেষ্ট্রি মেনেজমেন্ট, লেন্দস্কেপিং, বেম্বু বেজ কন্সষ্ট্রক্সননচিংবা য়াওরি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটেরিয়েটতা হীরম অসিগী মতাংদা পৱর পোইন্ট পীনবসু চীফ মিনিষ্টর অমদি ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্টকী মিনিষ্টরনসু খুদোংচাবা পীখি।

ৱার্কশোপ অসিনা বেম্বু টেক্নোলোজি অমদি আর্কিটেক্সরগী ফিল্ডদা নহাশিংদা থবক ফংহন্দুনা শেন্থোক লৈহনবা ঙমহনগনি হায়বগী থাজবসু চীফ মিনিষ্টরনা পীরকখি।

ৱার্কশোপ অসি নুমিৎ ৫ নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবনি। মসিদা মপাল লমদগী লাকপা রিসোর্ছ পার্সন কয়ানা ৱা ঙাংগনি।

মৈ ফংলোই

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস) : টিদ্দিম টু ফিদরগী পৱার লাইনদা জঙ্গল কট্টিং অমসুং প্রিভেন্টিভ মেন্টেনেন্স এপ্রিল ২ গী অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা চথুগদবনা মরম ওইরগা ক্বাকৈথেল থোকচোম লৈকাই, মোইরাংপুরেল, ঙানপ্পীথোং অমসুং ইরোমপুখ্রিমপালনচিংবা মফমশিংদা হায়রিবা মতম অসিদা মৈ ফংলোই হায়না আই ই ডি-১, এম এস পি ডি সি এলগী ডেপ্যুটি জেনরেল মেনেজরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ঈশিং পীবা ঙমখিরোই

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস) : কাঞ্চিপুর ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসিগী ঈশিং চীংখৎফম ওইরিবা লিলোং অমসুং ক্যামগৈ ইন্টেক্টশিং শান্তিপুর শিংঙেন মরূপ অমসুং শান্তিপুর য়ুথ ডিভলপমেন্ট এসোসিএসন ক্যামগৈনা হৌখিবা মার্চ ২২ দা ছোলোনশিনখিবদগী ঈশিং চিংখৎপগী থবক লেপখিবনা মরম ওইদুনা ঈশিং পীবা ঙমখিরোই হায়রি।

ক্যামগৈগী মফম কয়াদা ৱাটর সপ্লাইগী পাইপ লাইন মতিক চানা তিংবিদে হায়দুনা ক্যামগৈ ইন্টেক্ট অসি হৌখিবা মার্চ ২২ দা ছো লোনশিনখিবদগী ঈশিং পীবা ঙমদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

‘কুম্বী কোলেজ লৈঙাক্কী ওইহনবিয়ু’

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস) : মণিপুর গভর্ণমেন্টনা এদেদ কোলেজ ৬ গভর্ণমেন্ট কোলেজ ওনখিবা অমসুং অতোপ্পা এদেদ কোলেজ ৪ বুসু লৌশিনবিগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকপা অসি এডুকেসনগী লমদা মীৎয়েং চঙলকপগী খুদমনি হায়না কুম্বী অদর্স য়ুথ ওর্গনাইজেসন্না ফোঙদোরক্লি।

ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিডেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, চহি ৩৭ লোমগী মমাংদা লিংখৎখিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরনচিংবা মতিক চানা লৈরবা মহৈরোই ৭৫০ রোম লৈরিবা কুম্বী কোলেজবুসু লৈঙাক্না লৌখৎপদা য়াওহনবিয়ু।

কুমজা ১৯৮১ দা কুম্বী কোলেজ লিংখৎখ্রবা মতুংদা য়ু জি সিনা ১৯৯৫ তা রিকোগনেসন তৌদুনা ৮ শুবা প্লানদগী হৌনা শেন্থং কয়া ফংদুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎলি। কুমজা ২০১৬ তা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা গ্রান্ট ইন এড পীখি।

ম্যুনিসিপালিটি ১ অমসুং গ্রাম পঞ্চায়ট ৫ লৈবা লোয়ননা এসেমব্লি কন্সটিট্যুসন মঙাগী মফম কয়াগী মহৈরোইশিং, চীংমী ইচিল-ইনাওশিং অমসুং মৈতৈ পাঙল কয়া য়াওনা পূন্না চহি ৩৭ রোম অসি অৱাংবা থাক্কী লাইরিক তম্ফম ওইরক্লিবনি। মরম অদুনা বি জে পি লৈঙাক্না অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা এদেদ কোলেজ খরা মখা তানা লৌশিনগনি হায়রিবা অসিদা কুম্বী কোলেজবুসু য়াওহনবিয়ু হায়রি।

নুমিৎ হুম্নি চথরকপা থাং-তাগী ফিজেৎ লৈতেংগী সেমিনার লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস) : থাং-তা লোইশঙ সনা কোনুং পেলেস কম্পাউন্দনা শিন্দুনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা চথরকপা থাং-তাগী ফিজেৎ লৈতেংগী সেমিনার লোইশিনবগী থৌরম ঙসি পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ঙাঙোম উত্তম ডিরেক্টর আর্ট এন্দ কলচর ডিপার্টমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা চীফ গেষ্ট, থোকচোম ইবুঙোহল কষ্টমস সেক্রেটরি সনা কোনুংনা প্রসিডেন্ট অমসুং মাইবম মোহেন্দ্রো য়ুথ এফিয়াস এন্দ স্পোর্টসকী চুড়াচান্দপুরগী ডি ৱাই এ এস ওনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা আর্ট এন্দ কলচরগী ডিরেক্টর ঙাঙোম উত্তমনা হায়খি, হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা থাং-তাগী মশান্না অসি পামহনবা চঙই। অমগা অমগা অখঙবা অহৈবা কয়া অদু পুথোক্লরগা পূন্না শেমগৎমীন্নবা ৱাৎপদগী ঐখোয়গী লৈরম্লিবা তাংলবা আর্ট ফোর্ম কয়া মরাই চাইথরকপরা হায়না খল্লি।

ওজা অমগা ওজা অমগা ৱাখল্লোন ফাওদোক্লবদা লন্নাই ওইনা নুংঙাইনদবা ফাওবীদনা আর্ট অসিবু নুংশিবদগী হায়জবনি হায়না লৌবিরগা লন্নাই ওইনা নুংঙাইনদবা থম্নদনা আর্ট অসিগী ফনবগীদমক্তনি হায়না খন্না তোয়না খুন্দুনা নৈনবগী থৌরমশিং পাঙথোকমীন্নসি।

কলচরেল পোলিসি থম্নবা হোৎনরিবা অসিদা আর্ট এন্দ কলচর ডিপার্টমেন্টনসু কদায়দা করি শোথৈ হায়বদু য়েংশিন্দুনা হেন্না চাওখৎনবগীদমক্তা করি মতেং পাংবা য়াবগে হায়বদু থিদোকপা মতম ওইরে।

মীওই খুদিংমক্তা নুংশিবা অমসুং অপাম্বা ফাওহনসি হায়রগদি প্রোফেস্নেল ওইনা আর্ট ফোর্ম অসিবু পামজবা কাঙবুনা হান্নদগী লৈরবা সেলেবস অমসুং করিকুলমশিং অসিগী মথক্তা হকচাং শাজেল ওইনা তম্নবা কোর্সশু শেমগৎপা তঙাইফদে। নুপীমচা অমসুং নুপীমচাশিংগী মশা ঙাকথোকচনবা কোর্সশিংসু তৌবিরবদি হেন্না চাওখৎপা ওইগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা মার্চ ৩০ দা হৌদোকখিবা থাং-তাগী ফিজেৎ লৈতেংগী সেমিনার অদুদা অখং-অহৈ কয়ানা চেরোল কয়া পাথোকখি।

অনিশুবা ষ্টেট লেবেল মোনোলোগ, ডান্স, পেন্টিং কম্পিটিসন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস) : জ্যুবেনাইল থিয়েটর, কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাই ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা অনিশুবা ষ্টেট লেভেল পেন্টিং, ফিল্ম ঈশৈগী জগোই অমসুং মোনোলোগকী কম্পিটিসন মে ২৫ তা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোক্লগনি হায়না জ্যুবেনাইল থিয়েটরগী সেক্রেটরি ওকেন অমাকচমনা ফোঙদোকখ্রে।

কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা জ্যুবেনাইল থিয়েটরদা পাউমীশিংগা উন্নবদা ওকেন অমাকচমনা হায়খি, কম্পিটিসন অসি মশাগী চহি ১৪ দগী ৩৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা, নুপীশিংনা য়াওবা য়াগনি। মোনোলোক কম্পিটিসন অসিগী লোল মণিপুরী ওইগনি। অদুবু মণিপুরদা খুন্দা মীন্নরক্লবা মীপুম খুদিংমক্লা য়াওবা য়াগনি। অদুগা পেন্টিংগীদমক্তদি পুং ২গী মতম ফঙগনি লোয়ননা থিমসু ওপন ওইগনি। অতৈগীদি মিনিট মঙাগী মতম ওইগনি।

অথোই অহেন তান্নবগী অহানবা, অনিশুবা অমসুং অহুমশুবদা ১০,০০০, ৫০০০ অমসুং ২০০০ নি। ফিল্ম ঈশৈগী জগোইদা অহানবা, অনিশুবা অমসুং অহুমশুবদা লুপা লিশিং ১০, ৭ অমসুং ৫ নি হায়রি। কনসোলেসন প্রাইজদা লুপা প্রাইজ ১০০০ নি, মসিগা লোয়ননা সার্টিফিকেট অমসুং মোমেনটো য়াওনা পীদুনা ইকাই খুম্নগনি। চাংয়েংনবা মসিদা মহৈরোইশিংনসু য়াওবিয়ু।

প্রিলিমিনরি রাউন্দ অমদি ফাইনেল রাউন্দগীদমক্তা অখন্নবা জুরি লৈগনি। খৎনবা, য়েৎনবা লৈতনবা কম্পিটিটরশিং অমদি ওর্গনাইজেসন-শিংগা নুংশি চান্নবা পাঙথোক্লবা হোৎনমীন্নগনি। করিগুম্বা য়েৎনবা লাক্লবদি জুরিগী ৱারেপ্পা অরোইবা ওইগনি। কম্পিটিসনগী সেরিয়েল নম্বর মীয়াম মাংদা লোটরি তৌদুনা মথং মনাও শেমগনি হায়রি।

‘মহৈরোইশিংদা অকি-অখঙ নংহনবিগনু’

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস) : এম এম দব্লিয়ু ওনা কৌখিবা মণিপুর বন্দ মনুংদা ব্রাইটর একেদমী চেক্লোনগী ভেন অমদা নুংনা থাজিন্দুনা মহৈরোইশিংবু অকি-অখঙ নংহনখিববু ডেমোক্রেটিক ষ্টুডেন্টস এলাইন্স ওফ মণিপুর (ডেসাম) না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

ডেসামগী ডেপ্যুটি সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দ লাইশ্রম জসমিন্না থোকপা চেরোল অমন হায়, মণিপুর মুস্লিম ৱেলফিয়র ওর্গনাইজেসন্না এম ও বি সি ডিপার্টমেন্টকী মখাদা কুমজা ২০১০ দগী ২০১৭ ফাওবদা থাদখিবা শেনফম অদুগী ইনক্বারি তৌদুনা হ্বাইট পেপর অমা পুথোকপা, ও বি সি অমসুং সেদ্যুল কাষ্টকী ওইবা তোঙান তোঙানবা ডিরেক্টোরেট অমা হাংদোকপা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ডিমান্দ কয়া তান্দুনা কৌখিবা পুং ৪২ গী মণিপুর বন্দ মনুংদা ব্রাইটর একাদেমী চেক্লোনগী মহৈরোইশিং পুদুনা লাকপা স্কুলগী ভেন অমদা বন্দ শৌগৎপশিংনা নুংনা থাজিন্দুনা অঙাংশিংদা অকি-অখঙ নংহনখিববু ডেসামনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মতুং তারকপদা অসিগুম্বা থৌদোক থোকহনবিদনবা ফোঙদোরক্লি।

ডেসামনা মহৈ-মশিন তম্বগা মরী লৈননা হিরম খুদিংমক্তা অয়েৎ-অপন পীবিদনবা অমদি ক্বালিটি এডুকেসন পুরক্লবা হোৎনদুনা লাক্লি। মসিগী মনুং চন্না মমাং চহিগী জুলাই ১৫ দা ডিষ্টরবেন্স ফ্রি এডুকেসন জোন ডিমান্দ ডে হায়দুনা কুমজা ২০০৮ তগী মীয়াম অমদি মহৈরোইশিং, মরী লৈনবা লূপশিং, ওজাশিংগী লুপশিংনা পূন্না পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মহৈ-মশিনগা মরী লৈনবশিংদা গভর্ণমেন্টনা পীবা চৈথেংশিং মরু ওইনা ডিরেক্টর, প্রিন্সিপল, হেড মাষ্টর ওজাশিং মশিংশুনা হাপ্পীদবা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর নিংথিনা শেম্বীদবা লেবোরেটরি মতিক চানা থম্বীদবা অসিনচিংবা লোয়ননা এডুকেসনগা মরী লৈনবশিংদা পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা ডিমান্দ কয়া তৌশিনবীদুনা পীরিবা চৈথেং খুৎলাই পায়বা পুলিস, আর্মি অমদি পেরামিলিটরিশিংনসু স্কুল কোলেজশিংদা লৈশিন্দুনা চৈথেং পীরিবা অসি পীবিদনবা তকশিন্দুনা লাক্লি। লমদম অসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনসু বন্দ, ব্লোকেদনচিংবা তৌবদা মহৈরোইশিংগা মরী লৈনবশিংদি কোমথোকপীনবা মীয়ামদা হায়জরিঙৈদা অসিগুম্বা থৌদোক থোরকপা অসি লাইবক থিবনি হায়রি। ডেসামনা লমদম অসি চাওখৎনবা য়াইফনবা তৌরকপা থবক খুদিংদা মতেং পাংগনি অমদি পাংদুনসু লাক্লি। তঙাইফদনা তোঙান তোঙানবা লূপশিং জে এ সিশিংনা তৌরকপা থবক থৌরমশিংদা মহৈ-মশিনগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা অয়েৎ-অপন পীবিদনবসু আপীল তৌরক্লি।

অমরোমদা ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লম্লোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ডেসাম ময়াই লোইশঙগী ভাইস প্রসিডেন্ট নমৈরাকপম এডিসন মৈতৈনা প্রিসাইদ তৌদুনা ডেসাম ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী ২০১৮-২০ গী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে।

থোঙ্গ্রাতাবম মণিনা প্রসিডেন্ট, লৈশুংবম রাজেসনা সেক্রেটরি জেনরেলনচিংবা খনখ্রে হায়রি।

এন সি ডি অয়ুস হেল্থ কেম্প পাঙথোকখ্রে

MEDICAL CAMP
WALKATHON
FIRST STATE LEVEL NCD - AYUSH HEALTH CAMP
National Programme for Prevention and Control of Cancer, Diabetes, Cardiovascular Diseases and Stroke (NPCDCS) NCD Cell-NHM, Manipur
Flag off Ceremony
by
Shri Karam Shyam
Shri Dr. K.

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস) : নেসনল প্রোগ্রাম ফোর প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ওফ কেন্সর, ডাইবেটিস, কারদিওভাসকুলর ডিজিজেস এন্দ ষ্ট্রোক (এন পি সি ডি সি এস), এন সি ডি সেল- এন ঐচ এম মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুর অমসুং ককৱাগী অকোয়বদা লৈবা ক্লব ৩ ৱাই এম ডি এ, দব্লিয়ু এ সি অমসুং এস ৱাই সিনা পূন্না খুৎশম্নদুনা এন সি ডি অয়ুস হেল্থ কেম্প অমা ঙসি ককৱা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

হেল্থ কেম্প অদুদা মরু ওইনা ডাইবেটিস, হাইপর টেন্সন, বি এম আই, ব্রেসকেন্সরনচিংবা চেকঅপ তৌখি অমসুং অয়ুস লায়েংবা তোঙান তোঙানবা ষ্টোল কয়া হাংদুনা মীয়ামদা লেম্না অনা লায়েং লেম্না চথুখি।

ৱি কেন, আই কেন, হায়বা থিমদা চথুখিবা কেম্প অদুদা ববিনা ডাইগ্নোষ্টিক সেন্টর অমসুং ডা: অঞ্জন্না হুকন মেমোরিয়েল ফাউন্দেসন গুৱাহাতিগা পূন্না খুৎশম্নদুনা নুপীশিংগী লায়না কয়া য়েংখিবগা লোয়ননা লেম্না ব্রেস স্ক্রিনিং তৌবগী খুদোংচাবসু ফংহনখি।

ডিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সার্ভিসেস মণিপুর ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি, স্কাই হোস্পিটাল অমসুং মণিপুর হার্ট ফাউন্দেসন্না পূন্না খুৎশম্নদুনা হার্ট চেক অপসু পাঙথোকখি। কেম্প অদুদা সিজ হোস্পিটাল, ষ্টেট অয়ুস, চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং অমসুং ৬ শুবা অসাম রাইফলসনা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহনখিবগা লোয়ননা ষ্টোল কয়াসু হাংদোক্কুনা মপুংফাবা মেগা কেম্প অমা ওইখি।

কেম্প অসিগী মতাংদা এন ঐচ এম মণিপুরগী ষ্টেট প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর শৈরাংবা মঙাংনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা ডিষ্ট্রিক্ট ৯ দা লৈবা এন সি ডি সেলগী ডোক্টরশিং, প্রাইভেট হোস্পিটালশিং মরু ওইনা সিজ হোস্পিটাল অমসুং প্রাইভেট ডাইগ্নোষ্টিক সেন্টর, ববিনা ডাইগ্নোষ্টিক অমসুং কংলা ডাইগ্নোষ্টিকনচিংবনা শরুক য়াখি।

হেল্থ কেম্প অসিদা ওরেল কেন্সর, ব্রেস কেন্সর অমসুং কর্বিক্স কেন্সর স্ক্রিনিংদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা কেম্প অসি চথবনি। এন পি সি ডি সি এসকী মখাদা ষ্টেট অসিগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোক্কদবা মেগা কেম্প অসি মখা তানা ডিষ্ট্রিক্ট অনি অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু চথখিগনি।

কেম্প অসিগা মরী লৈননা কেন্সর লায়নাদগী ঙাকথোক্লসি হায়বা পান্দমদা ৱাকথোন অমসু ককৱাদগী শিংজমৈ কৈথেল য়ৌনা চৎখি। কেন্সর লায়নাদগী করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বসিগী মতাংদা থৌরম অমসু ককৱা কম্যুনিটি হোলদা চথুখি। ঙসি চথখিবা ৱাকথোন অদুদা সি এ এফ অমসুং পি ডিগী মিনিষ্টর কে শ্যাম অমসুং হেল্থ সার্ভিসেসগী ডিরেক্টর ডা: কে রাজোসু শরুক য়াখি।

এন এফ রেলৱেনা গ্রুপ বিগী মী থমদবা লেভেল ক্রোসিং গেটশিং লৌথোকখ্রে

মালিগাও, এপ্রিল ০১ (ঐচএন এস) : এন এফ রেলৱেনা চহি অসিগী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা মী থমদবা গ্রুপ বিগী লেভেল ক্রোসিং পূম্নমক লৌথোকখিনবগী পান্দম থমখিবদু থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙম্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

এন এফ রেলৱে মালিগাওগী চীফ পব্লিক রিলেসন ওফিসর প্রনব জ্যোতি শর্ম্মনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ন্যু জলপাইগুরি অমদি মালদা টাউন অনিগী মরক্তা লৈরিবা গ্রুপ বি রুট অসি কিলোমিটর ২৩০ ফাওবগী স্পিদ ফাওবা য়ৌনা থৌই হায়না এন এফ রেলৱেনা ফোঙদোরক্লি। অমরোমদা গ্রুপ সি, ডি গ্রুপ, ই গ্রুপনা পুংদা কিলোমিটর ১৩০ ফাওবগী সেক্কসন স্পিদ পীরি। গ্রুপ বিনা পুংদা কিলোমিটর ১৬০ ফাওবগী সেক্কসন স্পিদ অমসুং গ্রুপ এনা তুংদা লাক্কদবা মেক্সিমম পর্মিসিবল স্পিদ হায়না খায়দোক্তুনা তোঙান তোঙানবা কেটিগোরিশিংদা রেলৱে রুটশিং খায়দোকই

সেক্কসন অসিগী মনুংদা মী থমদবা থাক্কী ক্রোসিং ২২ লৈরম্বা অদু লৌথোকখ্রে। অমদি ক্রোসিং ২১ না গেটমেনশিংনা ঙাক শেল্লি। অমদি ক্রোসিং অমনা ডাইবরসন ওইরি। মী থমদবা লেভেলগী ক্রোসিং অসি মরু ওইনা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগী মরমদা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা অয়াংবা অমসুং ট্রাফিক য়াম্না কুংবা মফমশিংদা লৈরি। অসিগুম্বা মী থমদনা ক্রোসিং ২১ লৌথোকখিবা অসিনা রেলৱেগী সেফটিগা মরী লৈনবা থৌওংশিংদা হকচিন্না লৌই। হৌজিক ফাওবদা কুমজা ২০১৭-১৮ ফাওবগী মনুংদা মী থমদবা লেভেলগী ক্রোসিং ২২৯ লৌথোকখ্রে। অমদি মী থমদবা লেভেল ক্রোসিং পূম্নমক কুমজা ২০১৯ গী মার্চ ৩১ ফাওবদা লৌথোকখিনবা পান্দম থল্লি হায়না ফোঙদোক্লি।

এম এম দব্লিয়ু ওনা কৌখিবা বন্দ মতম খরগী হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস) : মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও)না মাইনোরিটিশিংগী ওইবা দিপার্টমেন্ট হাংবীয়ু হায়বা য়াওনা দিমান্দ কয়া তাল্লদুনা টোটেল সট দাউনগী খোঙজং চঙশিনখিবা অদু ঙরাং মাহুদ মিনিষ্টর শ্যামকুমারগা উনদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা মতম খরগী ওইনা হন্দোকখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং মাহুদ মিনিষ্টরগী ওফিস চেম্বরদা এম এম দব্লিয়ু ও অমদি তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসন কয়াগী মীহুৎশিং য়াওনা ৱারী শানখি। ৱারী শানখিবা অদুগী মতাংদা মাহুদ মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, এম এম দব্লিয়ু ওনা মাইনোরিটিশিংগী তোঙানবা দিরেক্টোরেট হাংবীয়ু অমদি এম ও বি সীগী মখাদা পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিংগী হ্বাইট পেপর পুথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা বন্দ চথরম্বা অদু ৱারী শানদুনা য়ানবা পুরকপদগী হন্দোকখ্রে। বন্দ মনুংদা ফাজিনখিবশিং অদুসু থাদোক্লগনি। এম এম দব্লিয়ু ওনা তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি মরম চাবা দিমান্দ ঙাক্তনি। দিমান্দশিং অসিগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনরে। মাইনোরিটিশিংগী ওইবা তোঙানবা দিরেক্টোরেট অমা হাংনবগী মতাংদা লৈঙাক্না থবক পায়খৎনবা য়েংশিল্লগনি। এপ্রিল ৫ দা এম এম দব্লিয়ু ও অমদি ওর্গনাইজেসন কয়াগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরগা উননবা মতমসু লেপখ্রে। চীফ মিনিষ্টরগা মখা তানা উনদুনা ৱারী শানরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এম দব্লিয়ু ওগী প্রসিদেন্ট অব্দুলা পথাননা ফোঙদোকখিবদা মাইনোরিটিশিংগী ওইবা দিরেক্টোরেট হাংনবা অমদি কুমজা ২০১০ দগী কুমজা ২০১৭ ফাওবদা এম ও বি সীনা পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কুপ্না থিজিন্দুনা হ্বাইট পেপর অমা পুথোকউ হায়না দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা টোটেল সট দাউনগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি। ঙসি মাহুদ মিনিষ্টরগা উনদুনা ৱারী শানখিবা অসিদা য়ানবা কয়াসু পুরক্লে। থা অসিগী ৫ দা চীফ মিনিষ্টরগা মখা তানা উননবসু মতম লেপ্পগা লোয়ননা চঙশিল্লম্বা খোঙজং অদু মতম খরগী কোমথোক্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙরাং নুমিদাং মাহুদ মিনিষ্টরগী ওফিস চেম্বরদা উনখিবা অদুদা এম সী এম, এ এম এম এস ও, এ এস পি ও, ঐচ আর সী এম এল, এ এম এম য়ু সী ও হেদ ক্বার্টর, পি এফ আই, এ এম এম এস ও হেদ ক্বার্টরগী মীহুৎ কয়াসু শরুক য়াখি।

দিল্লি তম্না সাইকল রেল্লি চৎকনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচ এন এস) : প্রাইম মিনিষ্টরগী বেতি বচাও, বেতি পরাওগী পাওজেল ইন্দিয়া শিনবা থুংনা পীরুনবা জি-ইঙোবী চোংথাম্না সাইকল রেল্লি অমা চৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবদা জি-ইঙোবী চোংথাম্না মখা তানা হায়খি, মহাক নম্বোল সাপম লৈকাইদা লৈবনি অমসুং ডি এম কোলেজদা বি এ তল্লি। সাইকল রেল্লি অসি দিল্লি তম্না মতোমতা চৎকদবনি। বেতি বচাও, বেতি পরাওগী ৱাখল্লোন শন্দোক্লুগদবনি। রেল্লি অসি নাগালেন্দ, অসাম, ৱেষ্ট বেঙ্গল, বিহার অমসুং য়ু পি ফাওদুনা দিল্লিদা থুংলুগনি। ষ্টেট কয়া ফাওদুনা চৎকদৌরিবা লম্বীগী ময়াদা লৈবা স্কুলশিংদা চঙদুনা মহৈরোইশিংগা উন্নদুনা বেতি বচাও, বেতি পরাওগী ৱাখল্লোন শন্দোক্লুগনি। রেল্লি অসিগীদমক মহাক্না শীজিন্নগদৌরিবা সাইকল অদু দিল্লিদগী ইম্ফাল তম্না সাইকলদা লাকখিবা ফিলেম রোহন্না মতেং পাংলকপনি। রেল্লি অসিগী অচঙবা শেনফমনা সোসল ৱেলফিয়র ডিপার্টমেন্ট অমসুং ৱাংজিং তেন্থা এ সিগী এম এল এ পাউনম ব্রোজেন তেংবাংবিরকপনি হায়খি।

‘চীফ মিনিষ্টরনা শেংদোকহৌবনা ফগনি’

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস) : গুজরাটগী মাধবপুর মেলাদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লৈহৌ- লৈশেমদগী নিংতম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইদুনা লৈরক্লবা মণিপুরবু কুমজা ১৯৪৯ গী ওক্টোবর ১৫ দা ভারততা তিনখিবনি হায়বা পুৱারী নাথৈদুনা মহাভারতকী শ্রীকৃষ্ণগী মতমদগী মণিপুর অসি হিন্দুগী লম মনুং চল্লে হায়বা ৱাফম শৌগৎতুনা ঙাংখিবা অদু মীতৈ মরুপ্পা অরানবনি হায়না লৌই হায়না ফোঙদোরক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা চানবিনবা শেমজিন-শাজিনবা ৱা ঙাংবনি মীতৈ নেসনবু মালেম খুন্নাইনা হন্থনা লৌখিগদবা ৱাফম অসি অথুবা মতমদা শেংদোকহন্নবা ৱারেপ লৌখি। চীফ মিনিষ্টরগী মায়োক্তা লৈবাক্কী ওইবা ঈহৌ লাত্তিগ্রঙৈদা সি এমনা শেংদোকপীহৌবনা অফবা ওইগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

বুথ লেভেল ৱার্করস ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস) : বি জে পি, খাঙবোক মন্দল অমসুং বুথ কম্মিটি ৩৫/৩৫, ৩৬ অমদি ৩৭না শিন্দুনা নোংমগী ওইবা বুথ লেভেল ৱার্করস ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি খাঙবোক এসেমব্লি কন্সটিটুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা সমরাম ময়ায় লৈকায় কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্না ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা থোকচোম জাদুমনিনা অথোইবা মীথুং, বি জে পি খাঙবোক মন্দলগী প্রসিদেন্ট এল তোম্বা খুমন, জেনরেল সেক্রেটরি এন রমানন্দা অমদি লমদম অদুগী শরুক্লইরবা মীওই কয়ানা থৌরম মপূশিং ওইনা শরুক য়াখি।

খাঙবোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা বুথ ৩দগী লাকখিবা বি জে পিগী থৌমী ১০০০ রোম্না শরুক য়াখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা বি জে পিগী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম জাদুমনিনা হায়, চহী ১৫ পাল্লম্বা কোংগ্রেসকী লৈঙাক্লা চাওখৎ থৌরাংগী থবক অমত্তা পায়খৎপীদবনা লমদম অসি অসুক্কী মতিক শোত্থনা লৈরম্লে। ঙসিদি মণিপুরগী মীয়াম্না বি জে পিদা থাজবা থম্বীবদগী বি জে পিগী লৈঙাক লাক্লে। বি জে পিগী লৈঙাক্লা চহী অমখক মণিপুরদা লৈঙাক্লকপদা চাওখৎপগী খোঙজেল য়াঙনা চঙশিল্লক্লে। সেন্তর অমসুং ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী লৈঙাক লৈবনা স্কিম কয়া পায়খৎতুনা চাওখৎপা, মাঙলোমদা চঙশিনবা মণিপুর অমদি ইন্দিয়া অমা পুরক্লবা হোৎনবদা মপূং ফাহন্নবা মতেং পীবিয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিংনা চথখিবা ফেক এনকাউন্টরগী কেসশিং থিজিন্নবা সি বি আইনা এফ আই আর লৌখৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস) : মণিপুর পুলিস, অসাম, রাইফলস অমসুং সী আর পি এফকী কষ্টদিদা শিখিবশিং অমদি মখোয়না ফেক এনকাউন্টরশিংদা হাৎখিবশিংগী মতাংদা থিজিন্নবা সী বি আইনা তোঙানবা এফ আই আর মরি রেজিষ্টর তৌখ্রে।

অহানবা এফ আই আর অদু কুমজা ২০০৪দা মণিপুর কোলেজগী মহৈরোয় খুন্দ্রাকপম টেজকুমারবু ফারগা ওৎ নৈরবা মতুংদা হাৎখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা ১৯শুবা অসাম রাইফলসকী মশক খঙদবা পার্সনেলগা মরী লৈনৈ। সুপ্রিম কোর্টনা হৌখিবা (মার্চ) তারিখ ১২দা পীখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না মান্নবা পান্দমদা মী ফাবা অমসুং হাৎপগী মরালশিংদা ওজেন্সি অসিনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা এফ আই আর অদু ফাইল তৌখি।

সী বি আইগী এফ আই আর অদুদা চহী ২২গী মীওই অদু স্পোর্টস ফেষ্টিবেল চথরিঙৈ কুমজা ২০০৪গী মার্চ ৯দা ১৯শুবা অসাম রাইফলসকী পার্সনেলনা উরিপোক লাইখুরেম্বী কম্পাউন্দদা লৈবা স্পোর্টস গ্রাউন্দদগী ফাখি। ফারিবা মীওই খুন্দ্রাকপম টেজকুমারগী ক্রিমিনেল রেকোর্দ নৎত্রগা লোনা য়াদবা ওর্গেনাইজেসনগা শম্নবগী রেকোর্দ অমত্তা লৈত্রবসু মহাকপু স্পোর্টস গ্রাউন্দদগী পুথোকখি, ফাজিন্দুনা থমখি, ওৎ নৈখি অমসুং মদুগী তুংদা পার্সনেল কাঙবুনা শেমজিন শাজিনবা খূৎথোক্লবগী থৌদোক্তা হাৎখি হায়না এফ আই আর অদুদা ফোঙদোকখি।

অনীশুবা এফ আই আর অদুদা আর কে লাকস্না কৌবা মীওই অমা ফাজিন্দুনা থম্লগা তুংদা ফেক এনকাউন্টর অমদা হাৎখিবশিংনি হায়না মরাল শিরবা মণিপুর পুলিসকী পার্সনেল মঙা অমসু মশক খঙদবা (পুলিসকী) পার্সনেল খরা পল্লি। এফ আই আর অদুগী মতুং ইন্না আর কে লাকস্নাবু পুলিস কাঙবুদুনা কুমজা ১৯৯৯গী ফেব্রুৱারী ১৫দা ফাখি।

অহুমশুবা কেস অদুনা রামাসো শিঙনাইমুই কৌবা অমা কুমজা ১৯৯৭কী জুলাই ১৭তা কষ্টদিদা হাৎখিবগী মরালদা ২০শুবা অসাম রাইফলসকী মশক খঙদবা পার্সনেলগী মায়োক্তা ফাইল তৌখিবা এফ আই আরগা মরী লৈনৈ।

মরিশুবা এফ আই আর অদুনা ‘কুমজা ২০০২গী এপ্রিল ৯দা থোকখিবা এনকাউন্টরদা’ অসেম রোমাজিৎ অমসুং য়ুম্নাম রোবিতা হাৎখিবা সী আর পি এফকী ১২১শুবা অমসুং ১৩৪ শুবা বট্টালিয়নগী মশক খঙদবা পার্সনেল খরগা মরী লৈনৈ হায়রি।

নাগালেন্দদা ১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসন লাক্কদৌরি

কোহিমা, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস) : মথং থা খরগী মনুংদা ১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসন্না নাগালেন্দদা খোঙচৎ অমা লাকপা য়াবগী থাজবা লৈ হায়না ফাইনান্সকী পোর্টফোলিওসু পায়রিবা চীফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিওনা ফোঙদোকখ্রে।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা ১৩শুবা নাগালেন্দ লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অহানবা সেসন্দা ৱা ঙাঙলদুনা রিওনা হায়খি, ১৪শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী মতম লোইগদবা চহী অনীদা ঙাইরে। অদুনা সেন্তরনা ১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসন শেম্লে। ষ্টেট ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা কম্মিসন্দা পীশিনগদবা মেমোরেন্দম অমসুং মখল মখা কয়াগী দোক্যুমেন্টশিং শেম শাবগী থবক কনখৎলে। ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা ইস্যুশিং অমসুং তাংদাংবা তঙাইফদবশিং ঐখোয়না কম্মিসন্দা খঙহনগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

১৪শুবা ফাইনান্স কম্মিসন্না মহাক্কী ষ্টেটতা ফংখিবা শেনফম ১৩শুবা ফাইনান্স কম্মিসন্না পীখিবদগী হেনখি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা রিওনা হায়খি, ঐখোয়গী তঙাইফদবা রেভিন্যু এক্সপেন্দিচর কোন্নবা ঙমখি তৌইগুম্বসুং চাওখৎ থৌরাং পায়খৎনবগী শেনফমদি লেমখিদে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ১৩শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী মরমদা কোন্নখিদবশিং মেনখৎপা ঙমখিদে।

নৈফিয়ু রিওনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি ১৩শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী এৱার্দ মতিক চামন্দবদগী কুমজা ২০১৫গী মার্চ ৩১ ফাওবদা য়াম্লবা লুপা ক্রোর ১৪১৯.৩৫গী শেনফম বজেটতা পুখখি (দিফিসিট লৈখি)। অমুকসু মতম অসিদা থবকশিং মপূং ফানা লোইশিনখ্রবসু সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেটকী পীফম থোকপা লুপা ক্রোর ৯২.৫০গী প্লান মপূং ফানা থাদোকখিদবদগী লাইএবিলিটি হেনগৎহনখি।

মথক্কী ৱাফমসিদা নত্তনা স্পেসল প্লান এসিষ্টেন্সকী মখাদা মমাঙগী প্লান্নিং কম্মিসন্না এপ্রুভ তৌখিবা প্রোজেক্ট ৪০গী ফন্দসু প্লান্নিং কম্মিসন থুপচিনখিবদগী মপূং ফানা থাদোকখিদে। “ঐহাক্কী গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টগী লুপা ক্রোর ৮৬৩.৯৫গী শেনফম লৌনবা হোৎনগনি। মসি এস পি এগী মখাদা থাদোকখিদবা শেনফমনি” হায়না রিওনা ফোঙদোকখি।